# সাউথ কোরিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা সিওল পিছ প্রাইজ পীখ্রে
## টেরোরিজম মুৎথৎনবা অমত্তা ওইনা থবক তৌবা মতম ওইরে ঃ নরেন্দ্র মোদি

***সিওল, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সাউথ কোরিয়াদা চৎপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা মহাক্না গ্লোবেল পিছ অমসুং সেক্যুরিটিদা খ্বাইদগী চাওনা অকীবা পীরিবশিং অসি রেদিকেলাইজেসন অমসুং টেরোরিজমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা টেরর নেটৱার্কশিং অমসুং মখোয়গী শেন লাকফম ওইরিবা চেন্নেলশিং মরুফংনা মুৎথৎনবা গ্লোবেল কম্যুনিটিনা অমত্তা ওইনা লেপ্পা অমসুং থবক তৌবগী মতম অদু লাক্লে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।




ইন্টরনেসনেল কোওপরেসন, গ্লোবেল গ্রোথ অমসুং হ্যুমেন দিভলপমেন্টতা মানা তৌখিবা থবকপু শকখঙলদুনা সাউথ কোরিয়া গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা সিওল পিছ প্রাইজ পীখ্রে।

সাউথ কোরিয়াদা চৎপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিগী কোনূং সিওলদা নরেন্দ্র মোদিনা সাউথ কোরিয়ানা পুলৱামা এটেক মতূংদা ইন্দিয়াবু শৌগৎলকখিবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগা ৱারী শানরবা তূংদা মেদিয়াদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, টেরোরিজমগী ময়োক্তা মালেমনা অমত্তা ওইনা লেপ্পা অমসুং থবক তৌবগী মতম অদু লাক্লে।

মদুগী মতূং কোন্না ঈজৎ লৈরবা সিওল পিছ প্রাইজ ২০১৮ ফংলবা তূংদা পাংথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কোরিয়াগা মান্ননা ইন্দিয়াসু ঙমখৈ ৱাংমগী ঈরাংগী অৱবা চৈনা ফংলি হায়খি।

শান্তি ওইনা চাওখৎনবগী মায়কৈদা ঐখোয়না কন্না হোৎনরিবশিং ঙমখৈ ৱাংমগী টেরোরিজম খত্তনা অপনবা পীরি হায়না টেরর গ্রুপ কয়ামরুমগী লৈফম পী হায়না মরান শীরিবা পাকিস্তানদা খুদোল্বী থিন্দুনা হায়বগী মওংদা মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা চহী ৪০দা ইন্দিয়ানা ক্রোস-বোর্দর টেরোরিজমগী ভিক্টিম ওইরকখ্রে। অসুন্না ঙসি লৈবাক পূন্নমক্না তমথিরবা অকীবশিং অসি ময়োক্নরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টেরোরিজমগী ময়োক্তা মখোয়গী নাকন অনীগী মরী অমসুং হীরম কয়াদা তেঙবাংননবা কনখৎহন্নবা ঐখোয়না ফিরেপ লৌরি। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিগা সাউথ কোরিয়াগী নেসনেল পুলিস এজেন্সিগা ঙসি এগ্রীমেন্ট অমা সহি তৌনখিবা অসিনা নাকন অনীগী মরক্তা কাউন্টর-টেরোরিজমগী তেঙবাংনবদা হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা সিওলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থুংখিবা অসি মে ২০১৫দা মহাক্কী ষ্টেট ভিজিট মতূং এসিয়াগী লৈবাক অসিদা মহাক্কী অনীশুবা খোঙচৎনি।

সিওল পিছ প্রাইজ ফাউন্দেসননা স্পোন্সর তৌবা এৱার্দ অসি ফংবদা নরেন্দ্র মোদিনা ১৪ শুবনি। মমাঙদা ফঙখিবশিংগী মনূংদা হান্নগী য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল কোফি অন্নান, জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মারকেন অমসুং ডোক্টরস ৱিদাউট বোর্দরস অমসুং ওক্সফামগুম্বা ইন্টরনেসনেল রিলিফ ওর্গনাইজেসনশিং য়াওরি।

পিছ প্রাইজ পীবগী অচৌবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পূন্সিগী মতাংদা অতেনবা ফিল্ম অমসু কাপখি। এৱার্দ অদু পীরদুনা ওর্গেনাইজরশিং অদুনা দিমোনিটাইজেসনগুম্বা মহাক্কী পোলিসিশিংবু থাগৎখি অমসুং মদুনা ইকোনোমি চাওখৎহনবদা মতেং ওই হায়খি।

সিওল পিছ প্রাইজ অসি সিওলদা পাংথোকখিবা ২৪ শুবা ওলিম্পিক গেমসকী মায়পাকপা অদু নীংশিংনবা ১৯৯০দা লিঙখৎখিবনি। মসিগী হৌরকফমদি কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা কোরিয়ান মীয়ামগী শান্তিবু খৌরাংনা পামজবা অদুনি।

# ঙমখৈশিংদা লানগীদমক পাকিস্তান আর্মি থৌরাং তৌবা হৌখ্রে, হোস্পিটালশিংদসু থৌরাং তৌদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে

***শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** জৈশ-ই-মুহম্মেদ চীফ মাসুদ আঝারনা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান গভর্ণমেন্টতা ইন্দিয়াগী নাকন্দগী পীরকপা শাফুদা তুমিন লৈতনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলৱামা টেরর এটেক অদুগী মতূংদা ইন্দিয়ানা লমন খুমদুনা খূৎ হল্লকপা য়াবগী অকীবশিং লৈবদগী পাকিস্তাননা মখোয়গী ঙমখৈদা লানগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে।



ইন্দিয়াগা তৌনবা লানগীদমক য়ূমথংনবা লৈবাক অসিনা থৌরাংশিং তৌখ্রে হায়বা ফোঙদোকপা ওফিসিয়েল দোকুমেন্ট অনী টাইমস ওফ ইন্দিয়ানা ফংবা ঙমখি। দোকুমেন্ট অনী অদুদি বালোচীষ্টানদা লৈবা পাকিস্তান মিলিটরিগী অমা অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ কাস্মির (পি ও কে)না লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা থাবা নোটিস অমনি।

কুৱেটা কেন্টোন্মেনতা হেদক্বার্টরস কুৱেটা লোজিষ্টিকস এরিয়া (ঐস কিয়ু এল এ)দা লৈবা পাকিস্তান অর্মিনা ইন্দিয়াগা লান অমা থেংনবা য়াবগী মীৎয়েংদা মেদিকেল সপোর্টকীদমক থৌরাং তৌনবা ফেব্রুৱারি ২০দা জিলানি হোস্পিটালদা চে ইখি।

নোংপোক থংবা ফ্রন্টতা অথুবা লান অমা থোরকপা তারবদি সিন্ধ অমসুং পঞ্জাবকী সিভিল অমসুং মিলিটিরি হোস্পিটালশিংদগী অশোকপা লান্নীশিং অদু কুৱেটা লোজিষ্টিক্স এরিয়াদা থারক্কনি।

অহানবগী মেদিকেল ট্রিটমেন্ট পীরবা তূংদা লান্নীশিং অদু সিভিল মিলিটরি হোস্পিটালশিংদা ফমুং ফংদ্রিঙৈগী মতম ফাওবা বালোচীষ্টানগী সিভিল হোস্পিটালদা হোংদোক্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ঐচ কিয়ু এল এগী ফোর্স কমান্দর অসিয়ানাজ কৌবা অমনা জিলানি হোস্পিটালগী অবদুল মালিকতা থাবা চিঠি অদুনা ফোঙদোক্লি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা পি ও কে গভর্ণমেন্টনা নীলম, জেহলম, রৱালকোট, হৱেলি, কোতলি অমসুং ভিমভের হায়রিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি)পরিংদা লৈরিবা মফমশিংগী লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা মীয়ামদা ইন্দিয়ান অর্মিনা খূৎ হল্লকপা য়াবগী ওইথোক্নিঙাই লৈরিবা অদু মাঙজৌননা খঙহন্নবা চিঠি অমা থাখি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈবা এটেক তৌফমশিংদগী টেরোরিষ্টশিংবু পাকিস্তাননা অতোপ্পা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে। মফম হোংদ্রোকখ্রিবশিং অদুদি ইন্দিয়াগী নাকন্দা ১৯ শুবা দিভিজনগী ময়োক্নবদা লৈবা কেম্পশিং, নৌগাম সেক্টরগী ময়োক্নবদা লৈবা লিপা ভেল্লি অমসুং ইন্দিয়াগী ২৫শুবা দিভিজনগী রাজৌরিদা অমসুং পুঞ্চকী ময়োক্নবদা লৈরিবা রৱালকোট অমসুং খুইরেটানি।

পি ও কে গভর্ণমেন্টনা এল ও সি মনাক্তা লৈবা মীয়ামদসু ময়াম পূশিন্দুনা লৈতনবা, চৎপদা খুদোংথিবা থোক্লোইদবা লন্মীশিংদা চৎনবা পাউতাক পীদুনা চিঠি ইখ্রে। মসিগী মথক্তা বঙ্করশিং লৈতবা মীওইশিংনা খুদক্তা বঙ্করশিং শেন্নবসু খঙহনখ্রে। নুমিদাংদা মথৌ তাদবা মতমদা মৈ থাল্লোইদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# অসামদা য়ু থকপদা ২৫ শিখ্রে

***গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** গুৱাহাতিদগী কিমি ৩১০ লাপ্পা গোলাঘাৎতা শেংদবা অমসুং য়ানশিনবা য়ু থকপদগী নুপী ১৫ য়াওনা য়ামদ্রবদা চা বগান শিন্মী ২৫ শিখ্রে। অরুবা ফিভমদা মশা শোক্লবা ৪ য়াওনা মীওই ১৫ হোস্পিটালদা লাকন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসকী মতূং ইন্না হৌজিকসু গোলাঘাৎতগী মীওই কয়ামরুম হোস্পিটালদা পুখৎলক্লিবা মরন্না মী শিবগী মশীং হেনগৎলকখিবা য়ারি। ঙরাং শগোলশেনগী নুমিদাংদা মীওইশিং অদুনা পোৎয়ান চঙলবা য়ু থকখিবনি। ৱাথোক অসিগী মরিদা মীওই অনী ফাখ্রে।

পূন্না মীওই ১০০ রোমনা য়ু থকখিবনি হায়না অসামগী লৈঙাক পীয়রিবা বি জে পিগী মফমদুগী এম এল এ মৃনাল সাইকিয়ানা হায়রি। থৌদোক অসি উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখন্দদা য়ু থকপদা মীওই ১৫০ রোম শিখিবা অদুগী চয়োল ২ ফাদ্রিঙৈদা থোক্লিবনি।

# পুলৱামা মতূংদা কাস্মিরিশিং এটেক তৌবা থিংনবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** পুলৱামা টেরর এটেককী মতূংদা ওইরকখিবা ফিভমদা কাস্মিরিশিংগী মথক্তা হীংশা তৌবা অমসুং কীহনবগী পাউকয়া থোক্লককখিবা মরক্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কাস্মিরিশিংবু সোসিয়েল বোইকোট নৎত্রগা এটেকশিং শোয়দনমক ময়োক্নহন্দনবা চপ চাবা থবক লৌখৎলু হায়না ঙসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশঙ সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট ১০দা পাউতাক পীদুনা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট ১০ অদুদি জম্মু এন্দ কাস্মির, উত্তরখন্দ, হরিয়ানা, উত্তর প্রদেশ, বিহার, মেঘালয়া, ছতিসগড়, ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব অমসুং মহারাষ্ট্রনি।

কাস্মিরিশিং অমসুং অতৈ মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা কিহনবা, খূৎ থাবা, সোসিয়েল বোয়কোটনাচীংবগী থৌদোক চথবা থিঙনবা মতিক চাবা অমসুং মথৌতাবা থবকশিং লৌখৎনবা চীফ সেক্রেটরিশিং, দি জি পিশিং অমসুং দিল্লি পুলিস কমিস্নারদা খঙহল্লি হায়না চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচীংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা সি আর পি এফকী লান্মী ৪০ হেন্না হাৎখিবা পুলৱামা টেরর এটেককী মতূংদা কাস্মিরশিংগী মথক্তা ওৎনৈবা অমসুং খৎথাবগী পাউশিং লাকপদগী মখোয়বু ঙাকথোকপীনবা সুপ্রিম কোর্ট এদভোকেট টরিক অদিপনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমা মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হিয়ারিং চথখিবনি।

মোক কিল্লিংশিংগী থৌদোক পান্ননবা নোদেল ওফিসারশিং ওইনা হাপখিবা পুলিস ওফিসারশিং অদু হৌজিক কাস্মিরিশিংগী মথক্তা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং থিংনবগী দায়ত্ব ওইরগনি হায়না ঙসি কোর্ট অসিনা হায়খি।

মথৌ তাবা মীওইশিংনা য়াম্না লাইনা পাউ ফাউনবা ঙন্নবগীদমক নোদেল ওফিসারশিং অদুগী পাউ ফাওনফমশিং মরিকচুন্না পাকশন্না মীয়ামদা খঙহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিদসু কোর্ট অসিনা পাউতাক পীখি।

কাস্মিরি মহৈরোইশিংবু য়ুনিভর্সিটিশিংদা ফুবা-চৈবগী থৌদোক কয়া থোকপদগী ঐখোয়না সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিবনি। কোর্টকী ওর্দর অসিনা মখা তাবা থৌদোকশিং থোকপা থিংলগনি অশা তৌরি হায়না পিটিসনর অদুনা হায়খি। হীরম অসি মথঙগী চয়েলদা অমুক্কা হন্না কোর্টকী হিয়ারিং তৌগনি।

হান্নগী জম্মু এন্দ কাস্মির চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুলানা কোর্টকী ওর্দর অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

# গল্ফতগী ইন্দিয়ান ওসিন ফাওবা নুমিৎ হুন্নি নেভিগী এক্সরসাইজ পাংথোক্লগনি হায়না ইরাননা লাওথোকখ্রে



***টেহরান, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*** ইরাননা য়াম্না মরুওইরবা মালেমগী জহাজশিং চৎপা লন্মী অমা য়াওনা গল্ফতগী ইন্দিয়ান ওসিন ফাওবগী পাক-চাওরবা লমদম অমদা ইরাই নুমিৎতগী নুমিৎ হুন্নিগী নেভিগী এক্সরসাইজ হৌরগনি লাওথোকখ্রে হায়না ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা ষ্টেট টিভিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেভিগী এক্সরসাইজ অদু স্কৱার কিলোমিটর মিলিয়ন ২ কোনশিন্দুনা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ, মকরান কোষ্ট, ওমন সি অমসুং ইন্দিয়ান ওসিনগী অৱাং থংবা শরুক্কী ঈশিং- লমদা পাংথোক্কনি অমসুং নুমিৎ হুন্নি চংথগনি হায়না ইরানগী নেভি কমান্দর রিয়ার এদমিরেল হোসেন খানজাদিনা হায়খি।

এক্সরসাইজ অসিনা নেভিগী ইক্যুপমেন্টকী মগুন চাংয়েংনবা পান্দম থল্লি অমসুং খূৎলাইশিং শিজিন্নবগী প্রাক্টিস তৌগনি লোয়ননা ট্রুপশিংবু অশেঙবা লান্‌ফম অমগী থৌরাং তৌবা অদু ফংবা ঙমহনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গল্ফ সমুদ্রগী মচিন ওইরিবা সমুদ্রগী ঈশিংগী শরুক ষ্ট্রেট অসি নুমিৎ খুদিংগী লন্মীসি ফাওদুনা ঈশিং লন্মীদা পুরিবা মালেমগী থাওগী ৩ থোকপগী শরুক ১ রোমগী গ্লোবেল ঈনরজি সপ্লাইজগী মরুওইরিবা অমনি।

মিলিটরিগী তৌবা ঙমবা মপাঙ্গল উৎপা অসি ইরানগী মরুওইবা রিজনেলগী য়েক্নবা সাউদি অরাবীয়া অমসুং ইরানগা তৌনবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অমগী হৌখিবা চহিদা তোকখিবা অমসুং ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মথক্তা অমুক হন্না সেঙ্কসন্সশিং থমজিল্লকখ্রবা ৱাসিংতনগা কন্না উংখৎনরিঙৈ মতম অমদা পাংথোক্লিবনি।

ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ হায়রিবা ঈশিং লন্মী অসি অমেরিকান ফ্রোর্সশিংনা চাং নাইনা ফাওদুনা চৎলিবা অমসুং মমাঙগী মতমদা মখোয়গা ইরানিয়ান ফোর্সশিংগা উংখৎনবগী খূৎ থোক্নবশিং থোকখ্রবা ইন্টরনেসনেল ট্রান্সিট রুট অমনি।

নেভি কমান্দর, এদমিরেল অদুগী মতূং ইন্না ভেলায়াট ৯৭ হায়না মিংথোল্লিবা নেভি দ্রিল অসিনা ইরানগী সবমেরিনশিং, লানগী জহাজশিং, হেলিকোপ্টরশিং, অমসুং দ্রোনশিং উৎকনি হায়রি। এক্সরসাইজ অসিগী মনূংদা জহাজশিংদগী মিসাইলশিং কাপ্পসু য়াওগনি হায়না এদমিরেল খানজাদিনা মখা তাখি।

# লূপা ক্রোর ৬.২৪গী সনা ফারে

***চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** লূপা ক্রোর ৬.২৪গী ওইগদবা সনা কেজি ১৭.৭ ফারে অমসুং মসিগা মরিলেননা মীওই ৬সু ফারে হায়না দাইরেক্টোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্সকী ওফিসিলেশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীরৈবাক্তগী সনা খরা পুশিল্লক্লে হায়বগী পাউ ফঙবদগী ঙরাং সিটি এয়ারপোট অদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চথখিবনি। পেসেঞ্জরশিংনা পোৎ-চৈ কয়ামুক্কী মনূংদা লোৎশিল্লগা সনা অদু পুরম্বনি। পূন্না লূপা ক্রোর ১.১গী ওইগদবা য়াম্লবা আইফোনশিং, স্মার্টৱাটচশিং, য়ু এস পি চীফশিং, ষ্টোরেজ দিভাইসশিং, কেমেরা লেন্সশিং, অমসুং সিগরেটশিংসু ফাখি হায়রি।

# কাস্মিরি মহৈরোই ২দা এটেক তৌখিবা সেনা এক্টিভিষ্টশিং য়ুব সেনাদগী তাম্থোকখ্রে

***মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*** পুলৱামা টেরর এটেক মতুংদা কাস্মিরিশিংগী মথক্তা চথবা ফু চৈবগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্তা মহারাষ্ট্রগী য়াবতমালদা শিব সেনাগী য়ুথ ৱিং ওইরিবা য়ুব সেনাগী এক্টিভিষ্টশিংনা ঙরাং নুমিদাং কাস্মিরি মহৈরোই ২দা এটেক তৌখ্রে। এটেক তৌবগী শক্তম অদুগী ভিদিও ক্লিপ অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলক্তুনা পাকচাওনা উৎথোক্লকখ্রে।

মফমদুগী পুলিস ষ্টেটসন অমদা থাঙ্গৎলকখিবা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর)অমগী য়ূমফমদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা য়ুব সেনাগী এক্টিভিষ্ট ৮ ফাগৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এফ আই আর অদুগী মতূং ইন্না দহয়াভাই পতেল সরিরিক সিকসান মহাবিদ্যালয়গী কাস্মিরি মহৈরোই ২ অদুনা চিন্তামনি নগর এরিয়াগী কৈথেল অমদগী মখোয়গী লৈফমদা হল্লকপদা ঙরাং নুমিদাং ১০দগী ১১ ফাওবগী মরক্তা মীওইশিং অদুনা লন্মী থৎলগা ফুবা হৌরকখি। মখোয়গী লৈবাকনিংবদু উৎনবা বন্দে মাতরম অমসুং ভারত মাতাগী জয় হায়না লাওহনখি হায়রি।

য়ুব সেনাগী প্রসিদেন্ট অদিত্যা থাক্করেনা মরান লৈজদবশিংদা কৈদৌঙৈদা পান্দম থল্লোইদবনি হায়রদুনা থৌদোক অদুবু য়ুব সেনানা কন্দেম তৌখি।

শিব সেনানা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং অদুবু ঙরাং নুমিদাং পার্টিদগী তাম্থোকখ্রে। জম্মু এন্দ কাস্মির অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি। ইন্দিয়ান অমত্তা অমসুং কনাগুম্বা অমত্তা টেররগী এটেক অদুগী অশাওবা অদুগী অৱাবা ময়োক্নরোইদবনি। অশাওবা অদুদি টেরোরিজমগী মথক্তা ওইগদবনি। অশাওবা অদু ঐকোয়না খঙই অদুবু মসি মরান লৈতবা মীওইশিংদা নৎতে, টেররগী মথক্তনি হায়না অদিত্য থাক্করেনা হায়খি।

# ক্রাউন প্রিন্স লাকখিবগা সাউদিনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১০গী চিনা রিফাইনরি দিল য়াখ্রে

***বৈজিং, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*** সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মেদ বিন সলমাননা বৈজিংদা লাকপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ লোয়শিনবা ঙসি ইরাই নুমিৎতা লৈঙাক্না মপু ওইবা ওইল কম্পেনি সাউদি অরামকোনা চিনাদা রিফাইনিং অমসুং পেট্রোকেমিকেল কপ্লেক্স অমা লিংখৎনবা দোল্লর বিল্লিয়ন ১০গী দিল অমা সহি তৌখ্রে।



পাকিস্তানদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০ থাদনবা অমসুং ইন্দিয়াগী রিফাইনিং ইন্দষ্ট্রিদসু অহেনবা শেন থাদনবা সাউদি হান্ননা ৱাশকখ্রবা অরাবিয়ানা এসিয়া খোঙচৎ অমদা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা অরামকোদগী মকোক থোংবা একজিক্যুটিবশিং য়াওবা সাউদি দিলিগেসন অদু থুংখি।

চিনানা মহৌশাগী ওইনদি থোইনা থৱাই য়াওরমদবা মিদল ইষ্টতা মরুওইবা ফোরেন পোলিসিগী পান্দম অমা ওইনা থৱাই য়াওশিল্লকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংবু ক্রাউন প্রিন্সনা উন্নখ্রে।

চিনাগী অৱাং থংবা পানজিন সিটিদা রিফাইনিং অমসুং পেট্রোকেমিকেল কমপ্লেক্স অমা লিঙখৎনবা চাইনিজ দিফেন্স কোংগ্লোমরেট নোরিন কোগা জোইন্ট ভেঞ্চর অমা শেন্নবা অরামকোনা য়াখ্রে। প্রোজেক্ট অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ১০ হেনবগীনি হায়রি।

পার্টনরশিং অসিনা হুৱাজিন অরামকো পেট্রোকেমিকেল কো কৌবা অনৌবা কম্পেনি অমা শেম্লগনি।

২০২৪দা থবক হৌরবা য়ারিবা কমপ্লেক্স অসিগীদমক ক্রুদকী চাদা ৭০ অরামকোনা পীগনি।

ইনভেষ্টমেন্টশিং অসিনা অরামকোবু চিনাদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওইল এক্সপোটর ওইবগী মফম অদু অমুক হন্না ফংবা ঙমহলগনি। হায়রিবা মফম অদু হৌখিবা চহী ৩ রসিয়ানা পায়রম্বনি। ঙসি ক্রাউন প্রিন্সপু উন্নদুনা চাইনিজ ভাইস প্রেমিয়র হান ঝেংনা লৈবাক অনীনা এন্টি-টেরোরিজম অমসুং সেক্যুরিটি কোওপরেসন হেনগৎনবগী ৱাফম থমখি।

# হান্নগী চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** মনি লোনদরিং কেস অমদা হান্নগী হিমাচল প্রদেসকী চীফ মিনিষ্টর বিরভদ্র সিংহগী মথক্তা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট অমা থাঙ্গৎখ্রে।

হীরম অসিদা সি বি আইনা লৌখৎলকখিবা অতোপ্পা কেস অমদসু বিরভদ্র সিংহ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নুপীগী মথক্তসু অতোপ্পা মীওই খরগা লোয়ননা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে।

বিরভদ্র সিংহনা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ওইরিঙৈ মতমদা মাগী অপূনবা শেল্হোক্না চানদনা লূপা ক্রোর ১০ রোমগী য়াম্লবা মরন-মথুম লেপশিনখি হায়না সি বি আইনা মরান শীরি।

# জে ই এম ওপরেটিবসনি হায়বা অনী ফারে



***লখনৌ, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*** উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সহরানপুরগী দিওবন্দদা পাকিস্তানদা লৈবা টেরর ওর্গনাইজেসন জৈশ-ই-মুহম্মেদ (জে ই এম)গী ওপরেটিবসনি হায়বা অনী ফাখ্রে।

এন্টি -টেরোরিজম স্কৱাদ (এ টি এস)না ফারবা কাস্মিরি নহা অনী অদুদি শাহনৱাজ তেলি অমসুং অকিব অহমেদ মালিক কৌই হায়না মশক খঙবা ঙমখ্রে।

শাহনৱাজ তেলিনা কুলগামদগীনি অমসুং অহমেদ মালিকনা পুলৱামাদা লৈবা মীওই অমনি হায়না এ টি এস ওফিসিলেশিং অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই অনী অসি ফাবা ঙমখ্রিবা অসি দিওবন্দদা মহৈরোই অমদগী ফংবা পাউশিংননি হায়না মীওই অদুগী মশক মমিং ফোঙদোক্তনা এ টি এসনা হায়খি।

থিবা -হুম্বগী থবক চথরকপদা মীওই অনী অসিগী কাশিংদগী পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অনী অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩০ ফংখি। মসিদ নৎতনা মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা জিহাদি চাট, ভিদিও অমসুং ফোটোশিংসু ফংখি।

নহা অনী অসিনা টেরর ওর্গনাইজেসন অদুগীদমক মী খোম্মী হায়না এ টি এসনা ফোঙদোক্লি।

ফেব্রুৱারি ১৪গী তমথিরবা পুলৱামা টেরর এটেককী কেস অদু পুলিসনা পায়রম্বদগী নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)দা ট্রান্সফর তৌখিবনি। কেস অদু থিজিনবগী থবক পুলিসতগী খূৎশিন্নরবা তূংদা এন আই এনা মখোয়না থাগৎপা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্টতা পুলৱামা টেরর এটেক অদুবু জৈশ-ই-মুহম্মেদ (জে ই এম)না খুজিন থৌরাং তৌদুনা পাংথোকখিবনি হায়না ফোঙদোক্লকখিবা।

# নাইজেরিয়াদা বেন্দিট ৫৯ হাৎখ্রে

***কানো, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*** বেন্দিটশিংনা অৱাং-নোংচুপ নাইজেরিয়াগী খূন অমদা লান্দারকপদগী সিভিলিয়ান দিফেন্স ফোর্স অমনা য়ামদ্রবদা বেন্দিট ৫৯ হাৎখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসিয়েলিশং অমসুং মফমদুগী মীওইশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে। থংনবা খুঙ্গং অমদসু অতৈ বেন্দিট ১৫ হাৎখিবনা পূন্না শিবগী মশীং অসি য়াম্না হেনগৎলকখিবা য়ারি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-47**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | 8 | | | 7 | 4 | |
| 8 | 4 | | | 1 | | 6 | | |
| | | 6 | 4 | 7 | | | | 3 |
| | | 3 | 6 | | | 5 | | 4 |
| 6 | 8 | | | 5 | | | 3 | |
| 4 | | 1 | | | 3 | | | 8 |
| | 3 | | 1 | 4 | | | 8 | |
| | 2 | | | 3 | 6 | | 7 | |
| | | 4 | | | 8 | | | 1 |

**সনা-সুদোকু -৪৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 9 | 6 | 4 | 1 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 7 | 2 | 9 | 8 | 3 |
| 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 7 | 9 | 8 | 2 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 |
| 4 | 6 | 3 | 7 | 2 | 1 | 5 | 9 | 8 |
| 9 | 1 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 7 | 2 | 3 | 9 | 5 | 4 | 1 | 6 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 28/12/18
Valid : 25/12/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 24/12/18
Sl. No. : 8920
Valid : 27/12/18
Sl. No. : 8371
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 08/02/19
Valid : 02/01/19
Sl. No. : up to 423
Stk : 612, 19kg-45
Time : From 08.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 21/01/19
Valid : 14/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 03/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 30/01/19
Valid : 23/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**M.M. Gas**
Booking : 07/01/19
Valid : 02/01/19
Stk : 612, 19kg & 5kg Avail.
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 05/01/19
Valid : 20/12/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Mahalakshmei Indane Gas**
Booking : 13/01/19
Sl. No. : 240670
Valid : 09/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 noon

**Bashikhong Indane**
Booking : 07/01/19
Valid : 26/12/18
Sl. No. : 34674
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**B D Gas, Chandel**
Booking : 23/01/19
Valid : 19/01/19
Stk : 270, 19kg-24
Time : 09.30 to 01.00 p.m.
Delevery Chandel HQ

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 21/01/19
Sl. No. : 17686 to 18033
Time : 07.00 to 09.30 a.m.